"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা হো পুর্ণিমা, মেরাগী পুর্ণিমা"
- মাইবম রামচরন

## লৈরম্মী
**—এল চীত্র**

মতম অমা লৈরম্মী
নুংঙাই মঙলান্দা তাওরম্মী
ঐগী মঙলান অদুদা
ঐনা নিংথৌ ওইরম্মী।
চানীংবতা চা, শেৎনীংবতা শেৎ
কোয়নীংবতা কোয়, তৌনীংবতা তৌ
ইনীং তম্না পাল্লম্মী, ইখা তৌনা লৈরম্মী
ঐগী মীনোক অমদা
নুংঙাইখি মখোয় কয়া কয়া
ঐগী য়াথং কয়াদা
লৌনখি মকোক মখোয়না
ঐগী মীৎয়েং অমদা
কেনখি লৈরাং কয়া কয়া
উফুলক্তা ওনখি
ওন্না থোইনা খাংখি
মতৌ অদু উরগা
ঐদি নোকখি পূক্লিং পেন্না।

## মতমগী ঈচেল
**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লেপ্তুনা চেন্থবা তুরেলগী ঈচেলগুম
চেন্থরি মতম মাগী ঈচেলসু
অতৎ অখম অমত্তা লৈতনা
পুৱারীগী ঈপাক্তা ইতিনফম থিজনবা
মতম কৌবী লাইরেন্বী মহাক্তি
উনা উনা অদুম চৎখিগনি
খঙনা খঙনা অদুম হৌখিগনি।
চৎসি লাউনে অচুম্বা লম্বীদুদমক
তৌসি অফবা থবক থৌরমতমক
মতমদি অসুম অসুম হৌখিগনি
নকশিল্লক্কনি নোংম-নোংমগী লমথুংফম
পাঙথোকহৌদ্র থৌগায়না কোকথক্তা নল্লবদা
তকশি শোল্লক্কনি অরোইবা পুংফমদা
করিগীসু অদুক মতমবু মীরায়খিবা
ঐগী ঐগী ওইজ ওইথক থিরিঙৈ
মীগী ফত্তনবা থৌশিল য়াৎলিঙৈ
অরেম্বদা মাঙখিনি সনাগুল্লবা মতমদো
মতমগী ঈচেলদি থৎপসু ওইথোক্তবনা
নঙবুসু চেন্থদুনা পুবিখিবা শোয়রোই
ষণ অশিবগুম তুরেলদা তাউদুনা
লুপখিগনি মতমগী ঈরোলনুংদা নোংমদি।

## নুংশি খুদম
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

খুদিংমক্লা নুংশি
লোইনমক্লা নুংশি
নুংশিখ্রেদা, পাম্মুখ্রেদা
হায়দবা অমত্তা লৈতে।
লোইনমক্লা হায়
পাম্মুই, পাম্মুই
নুংশি, নুংশি
অদুবু ঙসিদি কদাই।
মাঙদা তারিবা
উরিবা অসিরা
নুংশিবগী খুদম
পাম্মুবগী মশক অদো।
অসুম্না অসুম
হৌখি লোইখিদুনা
ঙসিদি লোইখ্রে পুন্সিসু
পাম্মু পাম্মুনা।

## হঙোইগী লান
**—পাঙম্বম শেন্দাশ মৈতৈ**

ইঙা-ইঙেলদি নত্তে, ঐ খঙই
নোংজু পাম্থাসু নত্তে, অদুসু খঙই
হঙোইদি য়াম্না খোংলি, গো-গো খোংলি
মখোল হৌনা খোংনরি, খোঞ্জেল হৌবা তান্নরি।
হঙোই বোরাবী, হঙোই তংশাং, মোরে হঙোই
অদুদগী হেন্দোক্তুনা, লৌরক্কী হঙোই
মহু পুবা লিনগী খয়াৎনুংদা তারুরবা হঙোই
মহৈ মহৈ খোংনরি, খোংবদা হৌবা তান্নরি।
ঈরাং পুবা, ৱাখল লেপ্তুবা হঙোই খরনা
খোংবা য়াবা খোংলম্লগা, অমুকসু চোংলুরি
মফম অমদগী অমদা, খোংবাল অমদগী অমদা
ৱাংনা ৱাংনা চোংনরি, চোংবদা শানবা তান্নরি।

## নুংশিগী ঈরিক
**—অয়াম ইবেতোম্বী**

ঈরিক অমত্তংদি খিকপীরম্মু
মদুনা ঈচাও থোকহনঙম্বা।
মিৎয়েং অমত্তং য়েংবীরম্মু
তাইবঙ পূক্লিং হুঙম্বা।
মিনোক অমত্তং নোক্লম্মু
নুংশি মীনোক কৌনবা।
য়াৱা অমত্তং কাংলম্মু
মদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা।
নুংশি নুংশিনা লোয়নবীয়ু
নঙবুসু নুংশিগনি মখোয়না।
মীয়ামগী ৱাসু তাবীয়ু
নহাক্কী নতুং ইল্লক্নবা
ঈরিক অমত্তংদি খিকপীরম্মু
মদুনা ঈচাও থোকহনঙম্বা।

## নুপীগী থৌনানা ঙমগনি
**—ইরোম মোবি**

মীতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল
খঙই মালেম পূম্বনা।
নুপীগী কৈথেল অমতনি
নুপী লাল
কংলা থোঙগী থৌদোক
সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং তাহন্দুনা
ফকাপ লোইশিনহনখিবা অমদি
নিশা থিংনবা অকনবা খোঙজং কয়া
নুপীগী থৌনা লিংজেলননি।
শিংথানীংঙাই ওইরবা নুপীগী থৌনা
কাউবা মুৎপা লৈররোই মতম পূম্বদা।
মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা
জেনরেল ইলেক্সন নকশিল্লকপসিদা
য়ূমদা চঙদুনা শেল য়েল্লিবা
লৌগদৌবগী ঙাইরিবা
অমদি নিশা য়াওনা চানীং-থকনীংবশিংদা
নুপীগী লৈরিবা লূপ কয়া পুনশিন্নদুনা
মায় ওনশিন্দুনা থিংনবা হোৎনরবদি ঙমগনি
অচুম্বা অশেংবা ভোট পাঙথোকপসু ঙমগনি।

## 'নোংদোন তম্না কাপখৎলু'
**—অঙোম ইবোমচা**

নোংদোন তম্না কাপখৎলু
নঙগী থৌরবা
পূক্লিংগী তেন
পাল্লুগনি শোয়দনা নোংমদি
পূক্লিং নঙগী নিশানদা।
নীংহন্নবা লৈতনা
থৌনা লিংজেল লোয়ননা
নীংবা, থাজবা, চান্নবা
কাউজানু নঙগী লায়ৱানি
নোংদোন তম্না কাপখৎলু
নোংদোন তম্না কাপখৎলু।
চুখৎলমউ মৈরাদো
মুৎনাইদনা ঙান্নবা
থৌনা লিংজেল লোয়ননা
লৈহৌগনি শোয়দনা মালেমদা
মিংচৎ উরোং নহাক্কী
জাতিগী য়ুম্বীরেল অথোইবা।

## পোলোইদি অমতনি পুন্নমক্কী
**— কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা**

করিবুনো নঙনা কিরিবা?
চৎখিগদবদুদি অদুম্মক চৎখিগনি,
লৈগদবদুদি অদুম্মক লৈগনি।
উবা ঙমদ্রিবদুগীদমক
করিগী অসুক লাঙতক্নরি?
অকিবদুনা অচুম্বদুবু করিগী নমহৎহল্লি?
উবা ঙমদবা খক্তং নত্তে লাক্ত্রিবদো
মমায় চুম্বসু ঙমদবনি লাক্কদবদো।
থৌনা ফবা নৎত্রগা থৌনা ফত্তবা
করিবুদি খেন্নরিবগে লানফময়ায়সিদা,
থৌনা ফরুবগী থৌদৌদুনা
থৌনা ফুদোকপা ঙমহল্লক্তবসু য়াই।
করিবু হরাওনিংঙাই লৈরিবগে!
করিবুনা কিনিংঙাই লৈরিবগে!
পোলোইদি অমত্তনি পুন্নমক্কী।

## 'মাঙখ্রবা অশেংবা'
**—রাজকুমারি মীনা**

অচুম্বা লৈতবা মফমসিদা
নুংশিবা য়াওদবা লৈহাওদা
থমলুরে ঐহাক্কী থাজবা
খিকলুরে মীনুংশি কয়া।
অশাওবা য়েংথিবা মরক্তা
কল্লকপা মীহৌবা লৈকোলদা
শাৎলম্মী ঙরাংগী শিঙ্গারৈ
অতপ্পা অঙৈংবা পামজবা
খোইদাজবা অশেংবা নুংশিবা
অওইবা থিরিবা ঐহাক্লা
চাক্লিবনি ঐহাক ওল্লগা
শাগৎলি অমত্তা ওইবা শক্তম
কায়রবা তোয়রবা য়ূম্ফমদা
শেমলুগনি করম্না নিংখাইখ্রবদা
অচুম্বা লৈত্রবা মফমসিদা।

## চোকথগনু
**—খুরাইজম মিলন**

হে পাঙ্গল!
নঙ করিগী শোন্থরক্লি?
থৌনা লৈরক্তবগুম,
হিংবগী কল্লবা লানফমসিদা
নঙ চোকথগনু।

## নীংশিংলকই
**—সৌবাম বীরধজা**

অঙাং ওইরিঙৈ মমানা চাক থোংই
ৱাইনমদা থোং থাকপনি, খরদি মোৎলি
মৈরিদা য়াওরকপা ৱামৈ মকুপ্পননি।
খরা লৈরগা হোরাই মকুপ্তা ৱাইনম ওইররে
মৈরি কল্লি, শীংজা অনী/অহুম্না কোন্নৈ
এঞ্জাং মথেল অনী অহুম অদুম থোংনৈ।
শো মিলশিং হৌজিক্তি সহরদা লৈহন্দ্রে
উ মকুশিং খোক্লরম্মী, কংহল্লগা মৈ থাননবা,
মিলগী অকোইবগী মীওই পুন্নমক্লা
নুমিদাং উ থাদখিবগী মখোল তাবদা
অয়ূক অঙনবদৈ উকু খোক্লরিবনি।
উগী বঘাশীং লম-লমদা লৈনরিবনি
শীং ওইনা থাননবা ইমুং খুদিংমক্লা
শহী শীংজাদি তাঙবনিনা, ঙম্না ঙম্নবা।
শীংজাদা ষষ্ঠি অশাংবি শেম শাদুনা
য়েনখাদা ফৌনরম্মী, কংহল্লগা মৈ থাননবা
লমহাং-তুহাং মরাং কায়রম্মী মতমদো।
বোরা থাদুনা নুংশাদা লাইরিক তৌনরম্মী
শুমাং মাঙ্গোল ৱাইশিৎনরম্মী, তৈনরম্মী,
অয়ূক নুমিদাং তুল্লসিগী অকোয়বদা
মাঙ্গোল অমসুং ধারিশিং শিৎ নানবমখে।
পম্থৌ মাঙ্গোলগী ফমেন্দা ফক থানরম্মী
নুমিদাং ববাগী মরুপ মপাং লাক্লগা ফম্মিন্নৈ
হিদাকফু থকমিন্নৈ, মৌ অনৌবীনা হান্দুনা
ৱারী-ৱাতাই কয়া কয়ানি মতমদুগী।
মতম কৌবিনা তপ্না তপ্না হোংহনখি
মী ফত্তবগী চাং নোংম-নোংমগী হেল্লকই
হুরান চিন্থিগী চাংসু য়াম্না হেল্লক্লে
য়ূমলোন্নবগী লমখৈসু পিকশিন্নরক্লে
মীশিং হেল্লকপগী য়ূম-কৈ শান্নরকপদা।
মমাঙ৙ৈ মতমদু নৌহৌননা নীংশিংলকই
অঙাং ওইরিঙৈ মতমদুনা হেন্না নুংঙাইজে
নীংশিংলকই মতমদুগী মশান্নশিং।

মতম মতমগী ৱাখল

# অওইবা অমসুং ওইদবা

অওইবা অমসুং ওইদবা ৱাহৈ অনীসিগী খল্লুবদা ওজা নোংথোম্বম শ্রীবিরেনগী 'ঐহাক লাইমিং লৌদে' হায়বা শৈরেংদু নীংশিংলকই। ওজা শ্রীবিরেন লাই নীংখিদবা মীশক নত্তে, লাই থাজদবা অমসু ওইখিদে। মহাক ওইদবা তৌখিবা অইবসু নত্তে। ৱা লোৎখিদে। খঙদবা ৱাফম মীঙোন্দা হংবদা ইকায়দে। খঙনীংবা লৈরবদি ফুক হৌগৎলগা অখঙবদা হংবা চৎলি। মহাক অইবশিংবু নুংশিখিবা মীশকনি। মহাক্না হিংলিঙৈদা 'কবি কীর্ত্তণ' মিংথোনবা থৌরম চাউনা মহাক মশাগী য়ূমদা চহী অহুমলোম থংন-থংননা নিংথম থাগী মতমদা পাঙথোক্লমখি। মহাক্না ফংজবা থাগী পেন্সনগী শেলনা তুংশিল্লগা শিনখিবা থৌরমনি। ঙসি ফাওবা ওজানা পাঙথোক্লমখিবা থৌরম অসিগুম্বা অইবা অমত্তনা পাঙথোকখিদ্রি। মহাক ঙসিদি লৈখিদ্রে, কবি কীর্ত্তণসু মহাক্কী য়ূমদা অমুক হন্না পাঙথোকখিদ্রে। অইবা অমনা লৈখিদ্রবদা অওইবা থৌদোক্কী ৱারী অমসু অদুম লোইখি।

অওইবা অমসুং ওইদবা ৱাহৈ অনীসি হন্দক ঐগী নাকোংসিদা য়াম্না তোয়না তারি। মীওইবশিং অসি কয়ামুক য়াম্না অওইবা তৌরিবগে? অওইবা তৌবগা ওইদবা তৌবগা মশীং কনানা হেনবগে? অওইবা মাল্লগা ওইদবা তৌবা অদুদগী অমুকসু অওইবা তৌনবগীদমক ওইদবা তৌবা মীসু য়াওরমগনি। মহাক অদু অওইবনি হায়গদ্রা নৎত্রগা ওইদবা তৌবনি হায়গদ্রা? কবি রবিন্দ্রনাথকী শৈরেংদা ইরি - 'শিজনীংদে ঐদি ফজরবা তাইবঙপান অসিদগী হিংজনীংঙি মীওইনা মীরক্তা...'। কয়াম্না অওইবা ওইনা হায়রিবনো হৌজিক্কী মীরোলনা হংলকপা য়াবা ৱাহংনি। শৈরেংসি হৌজিক রবিন্দ্রনাথ হিংলম্লগদি ৱাহৈসি ওন্থোক্লকপসু য়ারি। পুন্সিগী মশক, হিংবগী মহাউসি ঙল্লিঙৈগী মতমগা হৌজিক্কা কনানা হেল্লমগদগে। মতম অমগী চম্নরিঙৈগী মতমদুদা খন্নখিবা ৱাখলশিং নুংশিবা য়াম্না লৈ। অফবসু ফত্তবসু, অওইবসু লৈখি। মতম মতমগী হায়বদুনি। হৌজিক্লা পোৎয়ান অমা য়াওরি। দেমোক্রেসিদি হায়নৈ অদুগা দেমোক্রেসিগী মরুমদা ন্যুক্লিয়র চাংয়েংদি লেপ্তুনা তৌনরি।

হৌজিক্কী মতমদা ৱা ঙাঙবা হৈতবা মী লৈত্রে। হান্না ঙাঙনরমদবা লোল য়াম্না ঙাঙনবা হেনগৎলকই। মীয়াম তিনবা মফমদা ৱা শাংনা ঙাঙবা হৈবা মীগী মশীংসু হেনগৎলকই। নুপা নুপীগী খেন্নবা লৈত্রে। ইমা ইবেনসু ৱা ঙাঙবা হৈবা য়াম্না লৈরে। মতম অমদি নুপী হায়দোকপা চৎপা, মচিন হংবা চৎপদা ৱা ঙাঙবা হৈবা মী নেক্নবা ঐখোয় খঙজহৌখি। নুপী হায়দোকপা চৎপদা নুপা মপা ফাহৌবা, মচিন হংবা লাকপদা থানাগা য়াওনা লোন্না পুরক্লগা নুপী মচিন হংনরিঙৈদা চঙলক্তুনা ফারগা পুখিবা য়াম্না তোয়না থোক্নরম্মী। নুপী থৈফম হায়দুনা খঙন চান্নবা, খূৎলিংবা অমদা থৈনরম্মী। মশানা কয়া য়াফাত্তবা নুপী ওইরগদি মচিন হংবা লাকত্রিঙৈদা লৈকায়গী হৈশিংবা ইমা ইবেলনা - "ইবেম্মা নশানা য়ানা লাকপনি খুন্মু। ঐখোয়গী মায় ঙাকউ..." হায়দুনা চেল্লক্লিবা নুপীদু থেমদুনা মপুক ওলহনবা ঙম্বা নুপী ফাওবা লৈকায়দা লৈনরম্মী। মখোয়দু নেক্লগা থম্নরম্মী। মচিন হংবা লাকপদা থোঙ লোনশিল্লগা থোঙনাওদা মচিন হংবা য়াওনখি। ইমুংগী মরমদা চেল্লক্লিবা নুপা অদুনা হৈজ্রাং পায়রগা খূৎতুম শীংদুনা নুপীদা কিহল্লগা মশানা য়াই হায়না খুম্নবা বেঙ্ক লুট তৌবদৌনা নৎত্রগনা এরোপ্লেন হাইজেক তৌবদৌনা খুমহনবগসু য়াওখিবগী ৱারী থেংনৈ। নুপী অপাম্বা লম্বীদা লাকপদা ফারগা লৌবা চৎনরম্মী। থায়নদি হায়রগা শাথিবা মতৌ, শাজৎ চুমদবসু ঙল্লিঙৈদনা হেন্না তৌখিবসু লৈ।

চেনবু চেল্লবা, অহিং অমা মীগীদা লৈরুরবা নুপীদু মশানা য়াদ্রবসু অদুম য়ারে। অহিং লেল্লুবা হায়বসি নুপীশিংগীদি ঈজৎকী ৱাফমনি। কিনা হঙ্গোইনা লৌনরম্মী। নুপীনা মমদ্রিঙৈদা য়ূমদা হঞ্জিন্নবগী চৎনবী লৈরম্মী। নিংঙোলনা ময়ূম পাল্লকপা নৌরিঙৈদা মপামদা লাকপদা মনেমবোক্তা য়াওনা চৎনৈ। মসিগী ফজবসু লৈ। মমা ওইবীনা নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা হনখিনবা মচা নিংঙোলদা থৌরাং তৌহনবীনৈ। চৎনরকপা পুন্নমকসি ঙসিদি পুমওল ওল্লে। ঙসিগী মৌশিংদি মপামদা চৎনীংবা মতমদা চৎনরে। মনেমবোক্লা তুং ইনবা হায়বদু হৌজিক্কী মতমসিদদি শুকউবু উদ্রে। লাংবনগী তর্পণ, নিংঙোল চাক্কৌবা লমদমসিগী ইচে ইচল, নিংঙোল ওইবীশিংনা মপামদা চৎচবা উবগী ফজখ্রবা শক্তম অমা লৈখিবা থানি। সনা লমজাও থক্তা নিংঙোল ওইবীশিংনা পিথ্রাইগী কোম্পাক্তা উহৈ ৱাহৈ ফিনা কুপ্লগা খোঙনা চৎলগা পুবদো ঐখোয় উরকখি। পিথ্রাই কোম্পাক্তা হাপ্লগা উহৈ ৱাহৈ পুবা উদবা কুইরে। কুম অমগী চাক্কৌবদা মমাগী মপামদা চাক্কৌবা চৎপদা লৈশাবী ফারবা মচানুপী ফাওবা মমাগী মতুং ইন্নবনি। হৌজিক্কী নুপীমচাশিংদি খজিক্তং চাওরকপদা মমাগী মতুং ইনবা ইকায়রে হায়দুনা চৎনদে। ঙন্তানা লিখৎপসি হৌজিক্কী মতম্না হেল্লি। মসি চাওখৎপনি অওইবনি হায়দৌরিরা? নুংশিবগী মরী অদুদি হৌজিক্কী মতমদা উবা ফংদ্রে। মসিনা ওইদবা হায়বদু তারি।

এলাংবম রজনিকান্তগী ৱারীমচা 'থাজগী অঙৈংবা মায়থোঙ' ঐখোয়না ক্লাস নাইন তম্লকপা মতমদা কুমশিং ১৯৭৩ অদুৱাইদা তম্লকই। ৱারীমচা ওইনবু খনখিদে। অশেংবা থৌদোক ওইনা মিৎসিদা উখি। "ঙসি যমুনা, মমিৎতা মপি তাবা নুমিৎনি..." পরিক্ষাদসু হংগনখ্রবা মতেকনি। নিংঙোল ওইরিঙৈ যমুনাগী পুন্সি, ময়ূম পাল্লক্লবা মতুংগী যমুনা। যমুনাগী পুন্সিগী হোংলক্লিবা মশক য়েক্লগা নুপীগী পুন্সিবু অইবা এলাংবম রজনিকান্তনা ৱারীমচা ওইনা পুথোকপীখি। ৱারীমচা অদু লাইরিক ওইনা তম্লুবদগী কয়ারক হন্না পাখি। চিনফা পুখি ৱারীমচা অদু পেনমনখ্রদুনা অইবা এলাংবম রজনিকান্তগী য়ূম থিরগা এলাংবম লৈকায়দা চৎলগা অইববু উনদুনা খুরুমখি, ৱারী শাবা ফংখি। ঐহাক কাউদ্রি অইবা এলাংবম রজনিকান্ত উনবদা হায়রকখিবা ৱারী কয়া লৈখি। মসি ঐগী অওইবা ৱারীনি। নুপীগী শক্তম য়েক্লকপদা ৱারীমচা ইবা ইয়াম্বা লামাবম বীরমনিবুসু নীংশিংলকই। মহাক্কি ৱারীমচা 'অতিথি' কাউবা ঙমদে। ৱারীমচা অসিদগী ইমাসি এম কে বিনোদিনিনা অমুক রেদিও লীলা ওইনা 'নোংমা ফাদোক লাকপদা' হায়না শেমদুনা পুথোকখি। নুপীগী য়েক্লিবা শক্তম অসিদা ফজমনখিদুনা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী টেলিপ্লে ওইনা পুথোকখি। মসিসু অওইবশিংগী মরক্তা অওইবা অমনি।

হৌজিক ফাওবগী থমজরিবা ৱাফমসি অওইবা ঙাক্তনি। অওইবসি অমুক ওইদবনা খুদুম চনশিনবা হেঞ্জিল্লকই। অপিকপা শেনফম খায়গৎনরগা লমদমসিগী ইচে ইচলশিংনা শেমগৎচবা শেল তুংশিনবা হায়গদ্রা 'মরুপ' হায়বা অমা লমদমসিদা লিংখৎনরি। মরুপ লিংখৎপসি শেল চিনবা মীনা অয়াম্বা শিনগল্লি। মরুপ লিংখৎলগদি অহানবা ফংগদবা অদুসু শেল চিল্লিবা মহাক্না ওইগে হায়গল্লি। নুপানা শেলগী মরুপ লিংখৎনদে। শেলগী মরুপসি নুপীশিংতনা শেম্বনি। মরুপ লিংখৎপগী ৱারীসি মফম মফমগী ওইনা মান্নদে। মরুপ ফাওখ্রগা হুনগৎতবা, হৌদোক্লম্লগা মাঙখিবা ওইদবা মরুপ লিংখৎপগী ৱারী য়াম্না তাখি। চৎন কাঙলোন চুম্না লিংখৎপা, কায়দবা মরুপসু লৈবনি, মসিনা অওইবা ওইবা তারি।

মীবু থাজহল্লগা, মরাল অমা হায়রম্লগা মশা নাম্থোকখিবা, মশাগী কান্নবা ফংলগা লোৎখিবা, মীগী মতেং পাংনীংদবা মরুপ ঙাইহাক্তা ঙাইরব্রা হায়বসি চিংনরকই। লম্বী লমশাং লাকপদা লম্বীদা থেংনখিবা মীওইদু অশেংবা অওইবা মরুপনি হায়না লৌবা য়াব্রা? লম্বীগী মরুপ ওইজরগসু অচুম্বা চৎপা, অশেংবা পুন্সিগী ৱারী লীনদুনা অমনা অমগী ৱারী খঙনদুনা মফম অমত্তদা লৈমিন্নরগদি মখোয়দু অওইবা মরুপনি হায়না লৌবদা কায়ব্রা? অসিগুম্বা মীওইসি হৌজিক্কী দেমোক্রেসি চৎপা মতম অসিদা মশীং য়াম্না উবগুম তৌই। ঙরাং তিন্নরম্বা, লোয়নদুনা চৎমিন্নরম্বা মরুপ্তু লম্বী হেক মান্নদবদা অমনা অমবু হুন্নদুনা চৈনরিবসি অওইবা ওইরিব্রা অরানবা ওইরিব্রা? ৱা শাংনা ঙাঙলরোই হায়রগা লোইশিল্লু য়াদনা ঙাঙলিবা মহাক্না অচুম্বা ওইরিব্রা নৎত্রগা লোইশিল্লো হায়না চে পীরিবা মহাক্না অরানবা ওইরিব্রা? হৌজিক্কী মতমসিদা মসি চৎনবী ওইরি। মরু ওইনা খঞ্জরিবা, হংজরিবসি হৌজিক্কী মতমদা অশেংবা অওইবা মরুপ অমা হায়বদু লৈরিব্রা? অশেংবা মরুপ থিবা ফংখিগদ্রা?

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

*(হান্নগী মখা...)* ভৈজনাথনা ইভিদেন্স পীনবা হোৎনবদা কেস অদু অমুক হন্না মকোক্তগী হৌহনবা হায়বদু ওইরে। মহাক্না হায়, জোগনাথকী য়ূমদা থীবা হুম্বগী থবক চৎথখিবা অদু ঐগী ইমাং মক্তদা তৌখিবনি। মসিদা লৈরিবা লিক-কোনশিং অসি ঐগী ইমাংদা ফাগৎখিবনি, অদুগা পেকেটতা হাপ্তুনা সিলসু ফুখিবনি। লোয়ননা থৌদোক অদুগী রিপোর্ট অদুসু ঐগী মাংদা ইখিবনি। মসিদা ঐগী সিগ্নেচরসু য়াওরিবনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লম্মী।

জোগনাথকী উকিলনা ৱা হংবা হৌরকই :

"নহাক ভিখমখেরাদা লৈব্রা?"

"হোয় লৈ।"

"ভিখমখেরা শিবপালগঞ্জদগী কিলোমিটর ২ লাপ্প্রা?"

"ঐ খঙদে।"

"অদুবু ওইরবদি কয়াম য়াম্না লাপ্পগে?"

"শিবপালগঞ্জদা খৎন-চৈনবা থোক্লবদি ভিখমখেরাদা মখোল তাই।"

"কিলোমিটর অমরোম ওইগনি।"

"হায়বা ঙমদে।"

"কিলোমিটর তঙ্খায় মুক ওইগদ্রা?"

"খঙদে।"

"কিলোমিটর ২০?"

"ঐনা ঙসি ফাওবা ওন্দ্রি অদুনা খঙদে।"

কোর্টনা ইভিদেন্স পীরিবা নুপা অদুদা শাওরদুনা হায়, "খুঙ্গং অনীগী মরক্তা কয়াম লাপ্পবগে?"

"খুঙ্গং অনীগী মরক্তা লৌফমশিং লৈ।"

"লৌফম কয়ামুকনো?"

"কুন-কুন্থ্রামুক ওইগনি।"

"চুম্না-চুম্না হায়য়ু, লৌফম কয়া লৈ?"

"ঐনা মশিং থিরুদবনিনা লৌফম কয়া লৈ হায়বদু ঐ খঙদে।"

কোর্টনা মমিৎ শুক্তোক্লদুনা পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী মায়কৈরোমদা য়েংলকই। মহাক্না হায়, "শ্রিমান ইভিদেন্সনা হায়রিবসি অচুম্বনি। মহাক্না লৌফমশিং অদু মশিং থিদে। অদুবু খুঙ্গং অনী অসি নক্না-নক্না লৈ, চাওরাক্না কিলোমিটর অমরোম লাপ্নরমগনি-দারোগাগী ইভিদেন্সতা য়াওখ্রে।"

কোর্টনা জোগনাথকী উকিলদা হায়, "অদু ওইরবদি অরাপ্পা-অনকপগী মরম হংবগী করি মথৌ তাবগে? অদোম দারোগাজিনা হায়বা ৱাফম অসিদা চেলেঞ্জ তৌনিংবা ৱাফম লৈরিব্রা?"

"চেলেঞ্জদি তৌররোই অদুবু শ্রিমান হংদবা য়াদবনা হংবনি।"

"করিগী?"

"মরমদি ইভিদেন্স পীরিবা মীশক অসিগী ৱাখল করিনো অমদি কমদৌবা মীশকনো খঙহন্নবনি।"

"নৎত্রগা নহাক্কী ৱাখল অমদি কমদৌবা মীশকনো খঙনবা তৌরিব্রা?"

কোর্টকী ৱাফম অদু তারগা ৱা শেংদোক্লিবা উকিল অদু মকোক ঙাওখিরম্মী, অদুবু মতম অদুদা কোর্ট অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক হৌনা নোক্লম্মী। মদুনা তাক্লিবদি ৱাফম অদু ইকায়বা পীবা নত্তে, ফাগি তৌবনি। অদুগুম্বা ৱাফম অদু ফাগিনি হায়না খঙনরকপদগী মথং-মথং নোক্লকখি। কায়নথংদা জোগনাথকী উকিল অদুসু নোক্লকই। কোর্টতা ইদুনা থম্বা নত্তবা লো অমসু লৈ মদুদি কোর্ট অমদি উকিলগী মরক্তা অকবর-বিরবল-বিনোদকী মতৌগুম্না করি-করিগুম্বা মতমদা ৱাহং-পাউখুম তৌনদুনা ফাগিসু তৌনৈ। অদুগুম্লবা মরুওইবা চৎনবি অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা কোর্টনা ঙাইহাক্কী মমাংদা হংখিবা ভিখমখেরা অমসুং শিবপালগঞ্জ অনীগী মরক্তা লৈবা অরাপ্পগী মতাংদা হংনখিবা ৱাহংশিং অদুগী মতাংদা অয়াবা পীখিদ্রে। অদুবু চেদা ইখ্রবা মতুংদা ৱাহং অদুগী অয়াবা পীখিদবনি।

বৈজনাথতা মখা তানা ৱাহং হংবা হৌরকই:

"হৌজিক ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী নহাক্না কেস কয়াদা ইভিদেন্স পীখ্রে?"

"নীংশিংবা ঙমদ্রে।"

"ঐবু হায়য়ু হায়রবদি নহাক্না হৌজিক ফাওবদা পুলিসকী মায়কৈদগী ইভিদেন্স ওইনা ৬০রক পীখ্রে।"

"অদোম মখা তানা হায়বিয়ু, ঐদি নীংশিংবা থোক্ত্রে।"

"মসিগী মমাংদা নহাক করিগুম্বা মতমদা পুলিসকী ইভিদেন্স ওইনা কেসতা য়াওখ্রবরা?"

"পুলিসকী ইভিদেন্স হায়রিবসি করম্বা মখলগী উচেকনো?"

"নহাক ৱাহংগী পাউখুম পীবগী মহুৎতা ৱাহং ওইনা হংলক্কনু। চুম্না পাউখুম পীয়ু।"

"নহাক ঐঙোন্দা থৌগলোল খঙনা ৱা হায়য়ু। ঐহাক ঙাওশিন্নবা ৱাখল তাদবা মী নত্তে।" ৱাফম অদু তাবদগী উকিল অদুনা কোর্টতা ঙাকপিনবা হায়জরম্মী। কোর্টনা হায়, "ৱাহংগী পাউখুম চুম্না-চুম্না পীয়ু।"

বৈজনাথনা নোল্লুক্না হায়, "হংবিরিবা ৱাহং অদু ফজবা ৱাহং ওইরবদি ফগদবা! মদুগী মহুৎতা ঐবু পুলিসকী ইভিদেন্স ওইবা কয়াম য়ামখ্রগে হায়না হংলি। ঐনা পুলিস-ৰুলিস করম হায়না খঙগদৌরিবনো! ঐদি অচুম্বগীদমক ইভিদেন্স পীবনি। ঐনা খঙবা মতাং ওইরবদি ঐহাক চিংনবা লৈতনা হায়গনি, পুলিসশিংবু কৌরক্কেরা নৎত্রগা শিৎ-শেংদোকপগী মীওইশিং কৌরক্কেরা।"

কোর্টনা ৱা হায়রক্ত্রিঙৈ মমাংদা জোগনাথকী উকিল অদু শাওরকই। তশেংনমক মহাক য়াম্না শাওগনবা উকিল অমা ওইনা মমিং চৎলি। লোয়ননা মহাক্কী তুংইনবা দলালশিংনসু অনৌবা কেস থেংনগদবা মীওইশিংবু মহাক্কী অশাওবা অদু য়েংহন্নবগীদমক কৌদুনা অমদি ফাদুনা হেক-হেক পুরকই। অশাওবা অদুনা মহাক্কী গ্যাননি, হৈশিংবনি, লোগী গ্যাননি, মহাক্কী খুৎলাইনি অমদি ঙাকথোক্লবা করচ অমগুম্বনি। মদুনা মহাক্কী সাইনবোর্দ, মহাক্কী এদভরটাইজ, মহাক্কী মমা-মপা-মতেং পাংবা-মপু-মরুপ মপাংনি। মহাক্না হেক শাওরকপা মতমদা অতোপ্পা মীওই মক্লাক নিক্কেরা নিক্লোইরা, মশাগী মক্লাক থক-থক নিকই। এক্সপরিএন্স লৈরবা কোর্টশিং মহাক্কী অশাওবা অদুদা করি অমত্তা চিংনবা লৈতনা তুমিন্না থবক তৌদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মতৌ অদু কোর্টনসু লোক খুবা অমদি হাকথি খনবগী থাক্তা থমদুনা করিমত্তা খন্দনা অশাওবা লৈতনা ৱাফম অমত্তা হায়বিরমদে। করিগুম্বা কনাগুম্বা কোর্ট অমনা মহাক্কী অশাওববু লান্না লৌদুনা নিন্দা তৌরবদি উকিল সহাব বার এসোসিএসনদা ভাষন পীরম্মী অমসুং এসোসিএসনদা প্রপোজেল পাস হেক্তা তৌরম্মী।

মসিগী কোর্ট অসিনদি মদুগী মরমদা খঙবা মরম্না মহাক্কী অশাওবদা থোইনা খল্লমদে। অসোমদনা উকিলনা লাউরদুনা হংই, "ঐনা হংলিবা ৱাহংসি য়াম্না চম্বা ৱাহংনি, নয়া হিগৎকনু, হায়য়ু নহাক্না হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী কেসশিংদা ইভিদেন্স ওইনা কয়া য়াম্না শরুক য়াখ্রবগে?"

বৈজনাথনা হায়, "অদু ওইরবদি ঐগীসু য়াম্না চম্বা ৱাহংনি, উকিল সাহব! নঙসু হায়য়ু, হুরান চিন্থি তৌবা অমসুং মী হাৎপশিংগীদমক নহাক্না কেস থেংনদুনা মীওই কয়া কন্নবা হোৎনখ্রবগে?"

উকিল অদুনা মহাক্কী অশাওবগী পাউখুম ওইনা অয়াম্বা মীওইশিংনা তুমিন্না অমদি পাখৎনা লৈবা থেংনখিবনি, অসিগুম্না করিমত্তা চিংনবা লৈতনা মহাক্কী ৱাহংগী পাউখুম ওইনা অসিগুম্না পাউখুম পীরকখিবা অসি কনা অমত্তা থেংনখিদ্রি। পাউখুম অদুনা উকিল অদুগী অশাওবা অদু হুইগী মমৈ তেথবগুম থোকখ্রে। ইভিদেন্স পীরিবা নুপা অদুনা কোর্ট অদুদা মখোং থাঙ্গৎলদুনা লৈমায়দা হিপথখিরম্মী। উকিল অদুগী মমিৎ কোর্ট তম্না য়েংলকই। অদুগা হায়, "শ্রিমান, অদোম্না অদুম খঙবিরো ইভিদেন্স পীরিবা নুপা অসিনা তৌরিবা মওংসি। মহাক্না মচিন-থিবা অমদি ঙাঙহৈদবা ৱা কয়া ঙাঙলিবসি। মসিনা কোর্ট অসিগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লে।" *মথং মথং ...*

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা